# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, SATURDAY, MAY 25, 2019 **PAGE 7**




*এফ সি গোৱাদা মখা তানা শান্নবগী চহী অমা শাংদোকখ্রবা ইন্দিয়ান সুপর লীগকী ওল টাইম টোপ স্কোরর ওইরিবা ফেরান কোরোমিনাস*

*গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ফ্রেন্স ওপনগী ওর্গনাইজরশিংনা টুর্নামেন্ট অসিদা য়াওররোই হায়না লাওথোকখ্রবা ওষ্ট্রেলিয়াগী নিক কিরগিওস*



# মণিপুরগী নুপী বোক্সর মেরি কোম অমদি সরিতা দেবীনা ইন্দিয়া ওপন বোক্সিংদা গোল্ড লৌখ্রে





*গুৱাহাটি, মে ২৪(এজেন্সি)ঃ*

অসামগী সিটি গুৱাহাটিদা লৈবা করমাবির নবিন চন্দ্র বোরদোলোয় ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা চথরিবা ইন্দিয়া ওপন বোক্সিং টুর্নামেন্টতা মণিপুরগী নুপী বোক্সর অনী মেরি কোম অমদি এল সরিতা দেবী ফাইনেল বাওটশিং মায় পাক্তুনা গোল্ড মেডল অমমম ফংখ্রে।

মল্টিপল ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ইন্দিয়াগী বোক্সর এম সি মেরি কোমনা নুপীগী কেজি ৫১ গী কেটেগোরিদা অহানবা ওইনা শরুক য়াদুনা ঙসি থিন্নখিবা ফাইনেল বাওটদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বোক্সর নেসনেল চেম্পিয়ন ভানলাল দুৱাটিবু য়াম্না লায়না পোইন্ট ৫–০ দা মায়থিবা পীরন্নগা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী অনীরকশুবা গোল্ড মেডল অদু লৌবা ঙমখি।

নুপীগী কেজি ৬০ গী কেটেগোরিদা শরুক য়ারিবী ইন্দিয়াগী বোক্সর মশাগী চহী ৩৭ শুরবী লাইশ্রম সরিতা দেবীনা ঙসি থিন্নখিবা ফাইনেল বাওটতা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বোক্সর সিমরজ জিৎ কোরবু য়াম্না নক্নবা স্কোর ৩–২ দা মায়থিবা পীরন্নগা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী অহানবা গোল্ড মেডল লৌখি।

সরিতা দেবীনা ঙসি গোল্ড লৌখিবা অসিনা কুমজা ২০১৬ তা পাঙথোকখিবা সাউথ এসিয়ান গেমসকী মতুংদা অহানবা গোল্ড মেডল ওইরি।

ইন্দিয়া ওপন বোক্সিং টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি থিন্নখিবা নুপাগী কেজি ৬০গী ফাইনেল বাওটতা অসামগী বোক্সর সিব থাপানা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা মমাঙগী চেম্পিয়ন ইন্দিয়াগী মনিস কোসিকপু য়াম্না লায়না পোইন্ট ৫–০ দা মায়থিবা পীরন্নগা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী অহানবা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

এসিয়ান গেমস গোল্ড মেডালিষ্ট অমিত পানঘালনা নুপাগী কেজি ৫২ গী কেটেগোরিগী ঙসি থিন্নখিবা ফাইনেল বাওটতা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বোক্সর মমাঙদা য়ুঠ ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী ৱিন্নর ওইরন্নবা সচিন সিৱাচপু পোইন্ট ৪–১ দা মায়থিবা পীরন্নগা গোল্ড মেডল ফংখি।

# ‘ইকাই খুম্নরবা সি এম বিরেননা নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি করি করম্বা ফিভমদা লৈরিবগে য়েংশিনফম থোকই’

ভারত লৈঙাক্লা, মণিপুর লৈঙাক্লা মণিপুর অসি স্পোর্টস পৱার হাউসনি তৎতনা অদুমক হায়দুনা লাক্লবসু স্পোর্টস এন্দ গেমসতা অহেনবা অখন্নবা মীৎয়েং চঙদুনা হোৎনবগী চাংদি য়াম্না ৱাৎলি। বোক্সিং, ৱেঠলিফটিং, আর্চরি, জুদো, ফুটবোল, হোক্কী অমদি মশান্না কয়াদা লমদমসিগী শান্নরোইশিংনা সাফ গেমস, এসিয়ান গেমস, কম্মনৱেল্‌ঠ গেমস, ওলিম্পিক গেমসতা মেডল পুরকপদা মেক্সিমম শরুক য়ারি, মসিসি শান্নবনি মীনম্বা য়াবা নৎতে। পূম্নমকসি খঙলবসু খঙনা–খঙনা খঙশিন্নদনা লৈথোকপা মরম্না ভারতনা য়ুম্ব্রু ওইদুনা মালেমগী থাক্তা পাঙথোকপা অচৌবা চেম্পিয়ন্সিপ / টুর্নামেন্ট অমত্তা লমদমসিনা ভেন্যু ওইবগী খুদোংচাবা ফংদে। তশেংনা ভারত লৈঙাক্লা মণিপুরদা মালেমগী থাক্তা শান্নবা য়াবা শান্নবুং অমত্তা শাবীগে, শেমজিনবীগে হায়বগী ৱাখল পোক্তে, মীৎয়েং চঙদে।

মণিপুরদা লিংলিবা নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি অসি ভারতকী অখন্নবা মীৎয়েং অমগী মখাদা স্পোর্টস ইদুকেসন, স্পোর্টস সাইন্স, স্পোর্টস টেক্নোলোজি, স্পোর্টস মেনেজমেন্টস, স্পোর্টস কোচিং পূম্নমক অসিগা লোয়ননা ভারত মশাগী ওইবা ইন্দিজিনস গেমস কয়া ঙাক্তুনা থম্নবা য়াওনা ওলিম্পিক গেমসতা মেডল পুরকপা ঙমগদবা অশা তৌরিবা শান্নরোই কয়াগী ট্রেন্নিং তৌনবগী খুদোংচাবা ফংফম ওইগদবা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিনি। অসিগুম্লবা মালেমগী থাক্তা তাংলবা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি অমা লিংদুনা লমদমসিদা লৈবা হায়বসিমদি লমদমসিগী ওইনা য়াম্না লাইবক ফবনি, চাওথোকচনিংঙাইনি। অখন্নবা অমা ওইনা পায়খৎকদবা থৌরাংগী মনুংদা লিংবা থৌরাংনি হায়না লুপা ক্রোর ১০০ (চাম্মা) থাদদুনা লিংবা হৌরবসু মখা তারকপদা য়েংশিনবা ৱাৎপা থওই–ৱাওইদবা ফিভমদা লাকপা অসিমদি লাইবক থিবনি অমসুং নিংবা কায়নিংঙাইনি।

নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি বিল ২০১৭ লোক সভাদা পুথোক্তুনা লিংবদা চঙগদবা দরকার ওইবা লম একর ৩২৫.৯০, মণিপুর লৈঙাক্লা পীদুনা মার্চ ১৬, ২০১৮ দা ইকাই খুম্নরবা ভারতকী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা উরেপ–উয়ুং তমদুনা ২০১৮–১৯ গী ছাত্র কৌদুনা মীং চন্দুনা সেসন হৌখ্রবা মতুংদা ভারত লৈঙাক্কী মরী লৈনবা মিনিষ্ট্রিনা মপুং ফাবা য়ুনিভর্সিটি অমা ওইরক্লবগী অহানবা ওইনা পায়খৎকদবা তৌফম থোকপা থবক অমত্তা তৌরক্তে। লিংলিবা য়ুনিভর্সিটি সেন্টরনা লিংবনি সেন্টরগী মথৌনি, ষ্টেটকীদি লো এন্দ ওর্দরগী মতাংদদা য়েংশিনগদবনি হায়দুনা লৈবা তারবদি য়ুনিভর্সিটি শেমগৎ শাগৎপগী চাওখৎ থৌরাংগী থবক্কী খোঙজেল কনানা মায়পুননা য়েংশিনগদগে–?

শেমগৎ– শাগৎনবগীদমক মফম মণিপুর লৈঙাক্লা কৌক্রুক অমসুং শেনজম খুন্নৌ খুঙ্গং অনী শোক্লা লম একর ৩২৫.৯০ রেকোর্ট তৌদুনা পীখিবা লম অসি হৌজিক হৌজিক ফিল্ডদা ফংলিবা লমগা চান্নরিব্রা চান্নদবরা হায়বসি য়েংশিনফম থোক্তব্রা–? করিগুম্বা চান্নরমদবা থোক্লবদি পূম্নমকসি য়াম্না চেকশিন্না করেক্সন তৌদুনা লমগী অকোইবা ফেন্সিং তৌদুনা নাখৈ শেংনা থমহৌবা হায়বসি অহানবদা মথৌ তাগনি।

শেমগৎ শাগৎকদৌরিবা মফম ফংলবা মতুংদা ইনফ্রা ষ্ট্রকচর শেমগৎ–শাগৎপগী থবক অসি পায়খৎনবগীদমক ৱার্ক এজেন্সি অমদি লৈফম থোকই, ৱার্ক এজেন্সিগী মতাংসি করি করম্বা ফিভমদা লৈবজাৎনো–? ৱার্ক এজেন্সিগী মতাংসিদা মীৎয়েং অমত্তং থম্বা তারবদি লমদমসিগী লম্মীৎ তুমিৎ নিংথিজনা খঙলবা এক্সপিরিয়েন্স লৈরবা পি দব্লিয়ু দি মণিপুরগুম্বদা ওইহনবা চুমগনি, মণিপুর অসি চহী অমদা নুংজুথানা থা ৬। ৭ ওইবা লমনি হায়বসিমসু খঙমিন্নবা অমসু মথৌ তাই।

থবক শুনবগী ফার্ম কৌবগী টেন্দর কৌবগী পাওদি ফনা কুইরে তাখিবা অদুবু হৌজিক ফাওবদা করম্বা ফার্মদা শিন্নখ্রবগে হায়বসি খঙদে তাদে, লাকচনিংলিবা ৱাফমদি অসিগুম্বা ফার্ম কৌবগী থবক অসি থেংথরিবমখৈ পোৎচৈগী মমল অসি তাংখৎলকপনা মরম ওইরগা রিভাইস ইষ্টিমেট অমুক চঙগদবনা থেংথবা হায়বসি অফবা ওইজবা থবক ওইদে। অতোপ্পা ৱাফম অমনা বিল্ডিং শেমগৎ শাগৎপগী থবক অসি হৌরকপা মতমদা থবক ফম অসি য়ৌরক্লবা লম্বী থোং অসিমসু মরু ওইবা অমনি। লাক্কদৌরিবা লম্বীশিং অসিদা হেভি ভেহিকল ময়াম অমনা মপোৎ মচৈ টোন লিশিং লিশিং পারগা থৌজিল্লক্কদৌরিবনি মরম অদুনা শম্নগদৌরিবা লম্বী খুদিংমক নেসনেল হায়ৱেগী থাক্তা শেম্বা অমা মথৌ তারি। হৌজিক ফাওবদা হায়রিবা থাক্কী ওইবা লম্বী অসি শেম্বগী মমি তাবা থেংনদ্রি। করমকান্দা শেম্বা হৌরগা করম্বা কান্দা লোইদুনা অফবা থাক অমদা লৈবা উগদগে–? লম্বী খুদিংমক শান্না য়েংদুনা পাকথোক চাওথোক্লা শেমহৌবা অমা মথৌ তাই।

পূম্নমকসিগী মথক্তা খ্বাইদগী মরুওইবদি একাদেমী সেসন অসি হৌখ্রবনিনা লেপ্পা য়ারোই মরম অসিনা একাদেমীগা মরী লৈনবা য়ুনিভর্সিটি ওইনা মওং মরিল তানা লৈনবগীদমক অহানবদা য়ুনিভর্সিটি লিংবগী চৎন–কাঙলোন ময়াম অমত্তা তৌদবা

এল. কালা উরিপোক

অসিনা ভারত ময়ায় লৈঙাক্লা থওইদে, লুম্না লৌদে তাকপনি। সেসন হৌখিবা চহী অমা হেল্লক্লবা অসি ফাওবদা পার্মেনেন্ট ভি সি, পার্মেনেন্ট রেজিষ্ট্রার, পার্মেনেন্ট ফাইনান্স ওফিসার, পার্মেনেন্ট চীফ লাইব্রেরিয়ান অমদি ফাইনান্স কম্মিটিনচিংবা তৌফম থোকপা অমত্তা তৌদবা অসিনা নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি অসিগী মখাদা স্কুল কয়া লিংগদবা শোয়দনা লৈরমগনি। মপুং মরৈ ফারবা য়ুনিভর্সিটি অমা ওইনবা হোৎনগদৌরিবা ফম ময়াম অসি হাপ্তনা য়ুনিভর্সিটি চলাইহল্লিবা অসি ভারত ময়ায় লৈঙাক্কী করি করম্বা ৱাখল্লোন লৈবজাৎনো–? হংনিংঙাই ওইবা ৱাহং অমা থোরক্লি।–।

দিল্লি, মুম্বাই, পঞ্জাব, হরিয়ানাদা লিংবা ওইরম্লবদি হৌজিক মণিপুরদা য়েংলিবা থওই ৱাওইদবগী ফিভম অসি য়াগদ্রা–? ভারতগী ওইনা মণিপুর অসি থাদোকপা য়াদবা ষ্টেট অমনি হায়না খল্লগা মতম মতমগী থেম থেমদুনা থম্বগী মওংদা লাকপা মাল্লি। অসিগুম্বা থবক থানা কয়া অসি মতম কুইনা ভারত ময়ায় লৈঙাক্লা চত্থরকপা কয়ানা ঙসিদি নোংম নোংমগী লমদমসিগী মীপুম খূদিংনা ভারত ময়ায় লৈঙাকপু ৱারৌবনি হায়বসি ঙসিগী ৱা চাওনা–চাওনা ঙাংগনবা ঙম্বা থৌদা লৈবা লমদমসিগী ইকাই খুম্নরবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন সিংহনা ভারত লৈঙাক মকোক্তসু চাওনা চাওনা ঙাংবা ঙম্বগী থৌনা লৈবা তাই ঙমদ্রবদি মণিপুরদা লিংলিবা নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শেমগৎ শাগৎপগী খোঙজেল তম্বা ঙমদবা ফিভম অমদা অসুম লৈখিগনি। কোক নোন্নসু খুরুমসি, মাই হঙ্গৎনসু ঙাংসি।

# মঙাশুবা ভি এস ও ট্রোফি ২০১৯ গী ফাইনেলদা টি এফ সি তেকচম অমদি বোলেরো এফ সি শান্নরগনি



*ইম্ফাল, মে ২৪(এস এন এস)ঃ*

খোংজোম সার্কল ভেটরান স্পোর্টস ওর্গনাইজেসননা শীন্দুনা থা অসিগী ১ দগী তেকচম হায়র সেকেন্দরি গ্রাউন্দদা টিম ২২ না গ্রুপ ৮ থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরকপা ৫শুবা ভি এস ও ট্রোফি ২০১৯ গী ফাইনেলদা টি এফ সি তেকচম অমদি বোলেরো এফ সি শিংজমৈনা শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওইনা ঙসি বোলেরো এফ সি শিংজমৈ অমদি তাংখুল এফসি তেকচমনা শান্নখিবা মেটচ অসিদা বোলেরো এফ সি না তাংখুল এফ সিবু গোল ৫–২ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি।

মেটচ অসিগী অঙনবা মিনটশিংদা তাংখুল এফ সিনা গোল একাউন্ট হাংনবা হোৎনদুনা মেটচকী হৌরকপা মিনট ৩ চৎপদা তেকচমগী জর্সি নম্বর ৪ তোম্বনা গোল একাউন্ট হাংলগা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

গোল মাঙজিল থাখ্রবা মতুংদসু তেকচমনা বোল হেন্না পায়রগা শান্নদুনা অহেনবা গোল হাপচিন্নবা হোৎনবগী মহৈ অদু মেটচকী মিনট ১৪ চৎপদা জর্সি নম্বর ১১ সাহিদুরনা টিমগী অনীশুবা গোল চন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

গোল শোখনা লৈরিবা বোলেরো এফ সিনা হাল্ফ মমাঙদা গোল হনে দাক্লবা হোৎনরক্তুনা শান্নরক্তুনা তেকচমগী অনীশুবা গোল চনখ্রবা মতুংগী মিনট ৪ কান্নরগা মিনট ১৮ দা বোলেরোগী জর্সি নম্বর ৮ জিটেশ্বরনা গোল হন্দোক্তুনা হাল্ফ লোইবা ফাওবা তেকচমনা ২–১ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফতা বোলেরো এফ সিনা শোখরিবা গোলশিং অদু হনে দাক্লবা হোৎনরক্তুনা তেকচম এফ সিবু চপ চানা শিংনরক্তুনা মখোয়গী মপাঙ্গল ফুদোরকখি।

বোলেরো এফ সিগী জর্সি নম্বর ১০ সোবানা মেটচকী মিনট ৩৯ চৎপদা অনীশুবা গোল হন্দোক্লগা ২–২ দা লৈদুনা মেটচকী লমজেলদা অমুক য়াওশিল্লকখি।

গোল মান্ননা লৈখ্রবা মতুংদা বোলেরে এফ সি না অনৌবা লাল্লোং শীজিন্নরক্তুনা মেটচ অসি মায় পাক্লবা হোৎনরক্তুনা হেন্না এটেক কনশিল্লকখি।

বোলেরোগী সোবানা মেটচকী মিনট ৪৯ চৎপদা মহাক্কীনা অনীশুবা অদুগা টিমগীনা অহুমশুবা গোল অদু চন্দুনা ৩–২ দা মাঙজিল থাখি। সোবানা মিনট ৩ কান্নরগা মিনট ৫২ চৎপদা মহাক্কী হেটট্রিক্কী গোল ওইনা চন্দুনা ৪–২ দা মাঙজিল থাখি।

বোলেরো এফ সি শিংজমৈগী ৫শুবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ৭ ফালগুনিনা মিনট ৫৯ চৎপদা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ৫–২ দা মায় পাক্তুনা ফাইনেল য়ৌখি।

# মল্টিপল প্লাননা মায় পাকপা ঙমগনি

*ন্যু দিল্লি, মে ২৪(এজেন্সি)ঃ*

দিফেন্সিপ্তা হেন্না পূক্কিং চঙশিনবগা লোয়ননা মল্টিপল প্লানশিং তৌবনা তুংদা মায় পাকপা ঙমগনি হায়না ইন্দিয়ান নেসনেল ফুটবোল টিমগী নৌনা কোচ ওইনা খনখ্রবা ক্রোএসিয়া মচা ইগোর ষ্টিমেকনা ফোঙদোকখ্রে।

ইগোর ষ্টিমেকনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মেম্বর ৩৭ না শাবা ইন্দিয়াগী নুপা ফুটবোল টিমগী প্রিলিমিনরি স্কৱাদ খনগৎখিবা অদু নুমিৎ খরনিগী মতুংদা শান্নরোই ২৫ দগী ২৬ তা হন্থরগনি।

মসিগী মতুংদা শান্নরোই ২৩ খক্তমক খল্লগা মথং থাগী ১ দগী থাইলেন্দনা য়ুম্ব্রু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা কিংস কপ্তা শরুক য়াহনগনি হায়না নৌনা কোচ ওইরবা ইগোর ষ্টিমেকনা মখা তানা হায়খি। খনগৎলবা শান্নরোইশিংদা দিফেন্সকী ওইবা ট্রেনিং কয়া পীগনি হায়রি।

# টকৱা ট্রোফি ২০১৯ দা ও এফ এ মায় পাকখ্রে

*ইম্ফাল, মে ২৪(এস এন এস)ঃ*

তেন্থা খোংবান ৱেলফিয়র এসোসিয়েসন (টি কে দব্লিয়ু এ) তেন্থা খোংবাননা শীন্দুনা থা অসিগী ১২ দগী মল্টিপ্লেক্স গ্রাউন্দ তেন্থাদা টিম ৩৩ না গ্রুপ ১১ থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরকপা টি কে দব্লিয়ু এ ট্রোফি ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ও এফ এ পুংদোংবম অমদি এম ৱাই দি এ মাইরেনখুল মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্টকী ২১শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দদা ও এফ এ পুংদোংবমনা রোহিট এফ সি তেন্থাবু গোল ৪–২ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা ও এফ এগী পুংদোংবমগী গোলশিং অদু রোহিটনা মিনট ২০ অমদি ৩০ দা গোল অনী, বিজুনা মিনট ২৬ অমদি তেলৈহেবনা মিনট ৪৫ তা চনখি। রোহিট এফ সিগী গোলশিং অদুনা আর্জুন অমদি বোইনাওনা চনখি।

২২শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দদা এম ৱাই দি মাইরেনখুলনা পীশক এফ সি মোইরাংবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা মাইরেনখুলগী গোলশিং অদু য়াসিরনা মিনট ২৮ অমদি সুরঞ্জিৎনা মিনট ৪৪ দা চনখি।


ISOR

ꯆꯟꯆꯤꯞ

INTERNATIONAL SCHOOL OF RESOURCES

(A Co-Educational Hr. Sec. School of Science under COHSEM)

CANCHIPUR

**Admission Open**

**to Class XI Science (2019-20)**

**Facilities & Offers :**


1. Free studentship, Book Grant, Hostel/Bus Fees with a Scholarship of ₹ 10,000/- per Month for Position Holders (1st -25th ) in HSLC Exam. 2019 (For XI & XII Classes).
2. Free Admission, Tuition, Hostel/Bus Fees, Book Grant, For Securing 80% and Above (For XI & XII Classes)
3. Free Admission and Monthly Tuition Fees for Students Securing 75% and Above (for XI Class only).
4. Only Half Admission and Half Tuition Fees for Students Securing 70% and Above (For Class XI only).
5. Only Half Admission fees for Students Securing 60% and Above (For Class XI only).
6. Free Coaching for the 1st 80 Students Admitted to Class XI in the Subject Phy, Chm, Bio & Mth.
7. Free School Bags for Every Admitted Students.

For more details, Please Contact Principal ISOR

SL/4634/22nd May to 15 days

**ISOR** - Educating the Minds to start-up


# জর্মনিগী জ্বেরেভ জেনেভা ওপনগী নুপাগী সিঙ্গলসতা ফাইনেল চঙখ্রে



*জেনেভা, মে ২৪(এজেন্সি)ঃ*

স্বিটজরলেন্দগী সিটি জেনেভাদা চথরিবা এ টি পি টেন্নিস টুর্নামেন্ট জেনেভা ওপনদা নম্বর ৱান সিদেদ জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভ নুপাগী সিঙ্গলসতা ফাইনেল চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা জর্মনিগী জ্বেরেভনা আর্জেন্টিনাগী ফেদেরিকো দেলবোনিসপু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্লরবা মতুং ৭–৫, ৬–৭(৬–৮), ৬–৩ দা মায়থিবা পীরন্নগা টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ফাইনেল য়ৌদুনা চিলিগী শান্নরোই নিকোলাস জেরীগা লম্বা তৌনরগনি।

চিলিগী নিকোলাস জেরীনা ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা সিদেদ শান্নরোই মোলদোভাগী রাদু অলবোটপু ষ্ট্রেট সেট অনী ৬–৩, ৬–৪ দা মায়থিবা পীরন্নগা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

জেনেভা ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী সেমি ফাইনেল মেটচতা নম্বর ৱান সিদেদ ওষ্ট্রিয়াগী ওলিভর মারাক অমদি ক্রোএসিয়াগী মাটে পেভিসনা ফ্রান্সকী এফ মার্টিন অমদি জর্মনিগী এ মিজবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্লরবা মতুং ৬–৩, ৩–৬, ১৩–১১ দা থোইরন্নগা ফাইনেল য়ৌখি।

নম্বর ৱান সিদেদ ওষ্ট্রিয়াগী ওলিভর মারাক অমদি ক্রোএসিয়াগী মাটে পেভিসনা টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী ফাইনেলদা ওষ্ট্রেলিয়াগী ইবদেন অমদি স্বিদেনগী লিন্দষ্টেদকা লম্বা তৌনরগনি।

# ইন্দিয়া নুপী টিম সাউথ কোরিয়াগী মখূত্তা পাঞ্জল ০–৪ দা মায়থিখ্রে

*জিনচিওন, মে ২৪(এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কী টিম্না সাউথ কোরিয়া টুরগী মনুং চন্না ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা অমদি অরোইবা মেটচতা য়ুম্ব্রু সাউথ কোরিয়ানা ইন্দিয়াবু পাঞ্জল ৪–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসি হেক হৌবদগী সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চত্থদুনা লাকখি। মেটচ অসিদা সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোইশিংনা পেনাল্টি কোর্নর ৫ ফংখি। অদুবু মেটচকী ২১শুবা মিনটতা জাংহিসাননা পেনাল্টি কোর্নর অমদা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১–০ দা হেল্লগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হনে দাক্লবা ফনা কন্না হোৎনরকখ্রবসু মায় পাকপা ঙমদনা লাকখি। মেটচকী ৪১শুবা মিনটতা সাউথ কোরিয়াগী কিম হিয়ুঞ্জিনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি। মিনট অমা লৈরগা সাউথ কোরিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই কাং জিনানা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কী শান্নরোইশিং অসিবু খূৎ হনবা ঙম্লোইদবা মওংদা ৩–০ দা হেন্দুনা লৈখি।

মখা তানা শান্নরকপদা ইন্দিয়াগী এটেক হেন্না কনশিল্লকখি। ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা শোখরিবা পাঞ্জল অহুম অদু পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ মেটচকী ৫৩শুবা মিনটতা সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোই লি য়ুরিনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা অহুমশুবা অমদি অরোইবা মেটচ অদু য়ুম্ব্রু সাউথ কোরিয়ানা ৪–০ দা মায় পাকখি।

ক্রোসৱার্দ ১৬৯ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| A | S | T | R | O | ■ | H | A | I | R | ■ | C | A | L | L |
| N | O | W | I | N | ■ | O | R | N | E | ■ | A | G | U | A |
| T | H | E | A | D | D | A | M | S | F | A | M | I | L | Y |
| E | O | N | ■ | V | E | R | Y | ■ | S | M | E | L | L | S |
| ■ | ■ | T | I | D | E | S | ■ | ■ | ■ | M | O | E | S | ■ |
| B | A | Y | S | ■ | D | E | B | A | T | E | S | ■ | ■ | ■ |
| A | V | O | I | D | ■ | ■ | A | T | A | T | ■ | T | A | N |
| D | E | N | N | I | S | T | H | E | M | E | N | A | C | E |
| E | R | E | ■ | V | I | V | A | ■ | ■ | R | O | K | E | R |
| ■ | ■ | ■ | C | O | R | S | I | C | A | ■ | R | E | D | O |
| ■ | B | O | H | R | ■ | ■ | ■ | A | D | A | M | S | ■ | ■ |
| D | E | P | I | C | T | ■ | S | N | U | B | ■ | O | R | E |
| L | E | A | V | E | I | T | T | O | B | E | A | V | E | R |
| I | N | R | E | ■ | T | R | E | E | ■ | A | D | E | P | T |
| V | E | T | S | ■ | O | A | T | S | ■ | M | O | R | S | E |